# এন ই দা মরাল লৈবশিং কনভিক্সন পীবগী চাং নেম্মীঃ রাজনাথ সিংহ

ন্যু দিল্লি, মে ১৬ঃ করিগুম্বা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা হৌজিক ওইরিবা পুলিসকী মথৌ অসি মখা তানা চত্থবা তারগদি মীয়াম্না লৈবাক অসিগী জষ্টিস সিষ্টেম অসিদা থাজবা ঙম্লরোই। মরম অদুনা পুলিস চীফশিংনা হায়রিবা লমদম অসিদা মরাল লৈবশিং কনভিক্সন পীবগী চাং অসি য়ারিবমখে থুগৎহন্নবা হোৎনবা ফৈ হায়না ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা খঙহনখ্রে হায়রি।

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট খরদা ক্রিমিনেল কেসশিংদা মরাল লৈরবশিং দন্দি পীদুনা জেলদা থম্বগী চাং অসি য়াম্না নেম্মি। হায়রিবা লমদমসিদা কনভিক্সন পীবগী চাং অসি চাদা ৫ ওইবা মতমদা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা চাদা ৪৬ কী চাং ওই। মসি ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পুলিস ফোর্সশিং অসিগী থিজিন–হুমজিনবা হৈতবদগী থোকপা ওইগনি।

ষ্টেট খরদা কিদনেপ তৌবা, মী ফাবা অমসুং শেল নমদুনা লৌবগী থবক অসি মফম খুদিংমক্তা চত্থরবসু মসিদা মরাল লৈবা মীওইশিং ফা–পুন্দুনা দন্দি পীবগী থবক্তি চাদা ১ ফাওবা য়ৌদে। মরম অদুনা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী পুলিস চীফশিংনা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা মরাল লৈবশিং ফারগা দন্দি পীনবা হোৎনফম থোকই। অমরোমদনা সাইন্টিফিক ওইবা খুৎশু–খুৎলায় কয়া অমা ষ্টেট পুলিস ফোর্সশিংদা পীরবদু মদু অচুম্বা মওংদা শীজিন্নদ্রি। ষ্টেট অসিদা থল্লিবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী ফিভমশিং অসি পেন্দে অমসুং মতিক চাদে হায়খি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নোর্থ ইষ্টকী লম্বী থোং, রেল অমসুং নোংথক লম্বীনা শম্নহনবগী থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপগা লোয়ননা লমদমসি অথুবা মতমদা চাউখৎ হন্নবা হোৎনরিবনি। মসিদা পুলিসনসু মতেং পাংফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Mutation Cass No. 137/SDC/KBT of 16/5/2017*

Keishang Meba Maring
S/o(L) Keishang Morung Marung of Phunal
***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Keishang Mering Maring
S/o(L) Angba Maring of Phunal
***- O.P.***

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 16/5/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East KBT Circle গী Village No. 53-Bashikhongba গী Patta No. 132 (অরিবা) 286 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1078 an area 1.09000 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar Keishing Merung Maring অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা মপাগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

***SL/2139(A)/17***

## In the Court of Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)
*Ref. :- Mutation Case No. 767/SDC/IW(c) Dt. 12/5/2017*

Ningombam Yaiphaba
S/o(L) N. Kala Singh of Singjamei Waikhom Leikai
***- Petitioners***

***-Vrs-***

1.(Late) Ningombam Angou Singh
S/o(L) Chaoba Singh of Singjamei Waikhom Leikai
2.(Late) Ningombam Kala Singh
S/o(L) Chaoba Singh of -do-
***- O.P. Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 16/5/2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি মৃঃ পাট্টাদার 1.(Late) Ningombam Angou Singh, 2.(Late) Ningombam Kala Singh পীং (L) Chaoba Singh সাং Singjamei Waikhom Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং 59-Oinam Thingel গী অনৌবা পাট্টা নং 357 অরিবা পাট্টা নং 262 দাগ নং 1083 অমসুং এরিয়ানা .0930 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

*SL/2138/17*

## In the Court of Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)
*Ref. :- Mutation Case No. 777/SDC/IW(c) Dt. 12/5/2017*

Huiningsungbam Hemanta Singh
S/o(L) H. Yaima Singh of Sorokhaibam Leikai
***- Petitioners***

***-Vrs-***

Late Huiningsungbam Yaima Singh
S/o (L) Ibomcha Singh of Sorokhaibam Leikai
***- O.P. Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 16/5/2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Huiningsungbam Yaima পীং (L) Ibomcha Singh সাং Sorokhaibam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং 60-Sorokhaibam Leikai গী অনৌবা পাট্টা নং 146/239 অরিবা পাট্টা নং 60,94 Ang দাগ নং 120/266 অমসুং এরিয়ানা .0184 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

*SL/2137/17*

*পূক্নিং লৌশিং | বামোন অমুমচা*

# খ্বাইদগী চাউবা খুদোল

রসিয়াগী শক্লাইরবা ৱারীমচা অমদি উপন্যাস ইবা লিও তোলষ্টোইগী থোইদোকপা মগুণ অমদি মহাক্কী মীনুংশি মরু ওইনা লৈত–লায়রশিংগী য়াইফ থৌরাংদা পূক্নিং লূপচবদুনি। লালগী কাঙ খোং চাইরিঙৈদা চাক তাংবগী অৱাবা অমুক মায়োক্নবগী মীয়াম্না হা–হা কার লাওনরবা মতমদা নোংমা মহাক্না রসিয়া লম্বীদা চৎলিঙৈদা চাকনিবা অমা থেংনরম্মী। চাকনিবা অদু মহাক্না মপুন্সিদা থেংনখিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চানিংঙাই থকনিংঙাই লৈজদ্রবা মী ওইনা উরম্মী।

তোলষ্টোইনা খুদক্তা চাকনিবা অদুদা করিগুম্বা খরা পীনবগীদমক্তা মহাক্কী ফুরিৎখাও কোইমা মারম্মী। অদুবু লাইবক থিবদি মহাক্কী ফুরিৎখাওদা পৈশা অমা ফাওবা য়াওরমদে। মহাক্কী ফুরিৎখাওদা য়াওরম্বা পৈশা পূম্নমক লমখাংদা থেংনবা লৈত–লায়রশিংদা দান তৌথোকপদা লোইথোকখিরম্মী।

মহাক্না খুদক্তা চাকনিবা অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লগা কোনখৎলম্মী অদুগা কংলবা মখজাই অদুদা নুংশিনা চুপ্পিরম্মী। মহাক্না মখা তারকই, "ইয়াম্বা নহাক্না ঐবু শাওবীগনুকো, নঙোন্দা পীনবা ঐগী করি অমত্তা লৈজদ্রে।" চাকনিবা অদুগী কংলবা মমায় অদুদা হরাওবগী মমি অমা তারকপগা লোয়ননা মমিৎতগী মপি শিন্থরক্লম্মী। মহাক্কী শিন্থরক্লিবা মপি অদু উরগা তোলষ্টোইগী মমিৎতসু মপি শিন্থরক্লম্মী। মহাক্না হায়রকই, "নহাক্না ঐবু নয়াম্বা ওইনা লৌবিদুনা "ইয়াম্বা" কৌবিবা অসিদগী হেন্না চাওবা খুদোল অমমুক নহাক্না ঐঙোন্দা করি অমুক পীনিংঙাই লৈরিবগে"।

## In the Court of Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)
*Ref. :- Mutation Case No. 757/SDC/IW(c) Dt. 12/5/2017*

1. Khoisnam Japan Meetei
   S/o Kh. (L) Koba Meetei of Pishum Oinam Leikai
2. Kh. Raju Meetei S/o(L) -do- of -do-
3. Kh. Tejmani Meetei S/o(L) -do- of -do-
4. Kh. Tokyo Meetei S/o(L) -do- of -do-
5. Kh. Bijando Meetei S/o(L) -do- of -do-
6. Kh. (N) Manisana Chanu D/o(L) -do of -do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Late Khoisnam Chaoba Singh
S/o(L) Tombi Singh of Pishum Oinam Leikai
***- O.P. Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 15/5/2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Khoisnam Chaoba Singh পীং (L) Tombi Singh সাং Pishum Oinam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং 43-Khagempalli গী অনৌবা পাট্টা নং 209 অরিবা পাট্টা নং 179 দাগ নং 1160 অমসুং এরিয়ানা .0784 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

*SL/2135(A)/17*

## In the Court of Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)
*Ref. :- Mutation Case No. 756/SDC/IW(c) Dt. 12/5/2017*

Waikhom Ongbi Pichcha @ Jogita Devi
W/o(L) W. Micheal Singh of Uripok Bachaspati Leikai
***- Petitioners***

***-Vrs-***

Late Waikhom Ongbi Lili Devi
W/o Ibochouba Singh of Uripok Bachaspati Leikai
***- O.P. Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 15/5/2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Waikhom (O) Lili Devi পীং Ibochouba Singh সাং Uripok Bachaspati Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং 88-Lalambung গী অনৌবা পাট্টা নং 438/1821 অরিবা পাট্টা নং 260 দাগ নং 3156 অমসুং এরিয়ানা .0232 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

*SL/2135(B)/17*

## In the Court of Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)
*Ref. :- Mutation Case No. 753/SDC/IW(c) Dt. 12/5/2017*

Laishram Ongbi Nganbi Devi
W/o (L) L. Nodyachand Singh of Yaiskul Yumnam Leikai Lairemabi
***- Petitioners***

***-Vrs-***

Late Laishram Nodyachand Singh
S/o(L) Ibungohal Singh of Chingamathak Yumnam Leikai
***- O.P. Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 15/5/2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Laishram Nodyachand Singh পীং (L) Ibungohal Singh সাং Chingamathak Yumnam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং 41-Chingamathak কী অনৌবা পাট্টা নং 253/636 অরিবা পাট্টা নং 41/171 দাগ নং 39/388 অমসুং এরিয়ানা .02175 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

*SL/2135(C)/17*

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 464/SDC/P of 2017*

Pangambam Ongbi Aka Devi
W/o(L) P. Nilamani Singh of Kongpal Naoroibam Leikai
***- Petitioners***

***-Verses-***

Pangambam Nilamani Singh
S/o P. Ibotombi Singh of Kongpal Naoroibam Leikai
***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 16th May,2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 29-Top Naoriya গী Patta No. 34 (অরিবা) 83/588 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1015/1221 area .0687 an acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

***SL/2139(B)/17***

## EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাও

### HPSC recruitment 2017 Notification 180 Assistant District Attorney vacancies apply at hpsc.gov.in

HPSC recruitment 2017 Notification 180 Assistant District Attorney vacancies apply at hpsc.gov.in

Haryana Public Service Commission released new notification on their official website hpsc.gov.in for the recruitment of 180 (one hundred eighty) vacancies for Assistant District Attorney. Job seekers should register till 08th June 2017.

Commission Name:- Haryana Public Service Commission
Designation:- Assistant District Attorney
Location:- Haryana
Advt No.:- 2 of 2017
Official Web portal: hpsc.gov.in

HPSC hiring 2017 details
Assistant District Attorney: 180 vacancies
Qualification:- Aspirants who decided to join HPSC Assistant District Attorney posts should have Degree of Bachelor of Laws (Professional) of a recognized University and Should have enrolled as an Advocate with Bar Council.
Salary breakup:- Rs. 9300 – 34800/- Grade pay. 4600/- Per Month
Age Limit:- 21 to 40 years as on 08/06/2017 relaxed by 5 years for SC and BC of Haryana State, 10 years for Physically Handicapped

Selection Process:- HPSC will be conduct the Interview for Assistant District Attorney vacancy.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Assistant District Attorney vacancy should pay the below charges through e-Challan in any branch of State Bank of India after 48 hours of registration of online application form.

General: Rs. 500/- (Rupee five hundred only)
SC/BC/EBP/Women of Haryana: Rs. 125/- (Rupee one hundred twenty five)
Physically Handicapped: Application Fee
How to apply for HPSC vacancies 2017:- Eligible applicants may apply Online through the website www.hpsconline.in on or before 08.06.2017.

Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 08.06.2017
Last Date for Submission of Application Fee: 14.06.2017

Haryana Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of total 301 (Three Hundred one) jobs out of which 246 (Two hundred forty six) vacancies for Veterinary surgeon and 55 (fifty five) for Dental Surgeon. Job seekers should apply online before 1st June 2017.

Government Organization:- Haryana Public Service Commission
Post info:- Veterinary Surgeon and Dental Surgeon
Posting:- Haryana
Advertisement Number:- 1 of 2017
HPSC Jobs 2017-18
Veterinary Surgeon:- 246 vacancies

Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Veterinary Surgeon should have bachelor of veterinary science and animal husbandry from a recognized university or institute and registered as veterinary practitioner with Haryana veterinary council or with any veterinary council in India.
Salary Structure:- Rs 9300 – 34800/- Per Month
Dental Surgeon:- 55 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Dental Surgeon should have bachelor of dental Surgery or Licentiate in dental science or Licentiate in dental surgery from a recognized university and knowledge of Hindi / Sanskrit.
Salary Structure:- Rs 9300 – 34800/- Per Month
Age Limit:- 21 to 42 years as on 1st June 2017 and upper age is relaxed by 5 years for SC/ST, 3 years for OBC
Selection Process:- Personal Interview.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through e-Challan in any branch of state bank of India / state bank of Patiala.
General: Rs. 500/- (Rupee five hundred only)
SC/ ST: Rs 125/- (Rupee One Hundred twenty five)
How to apply for recruitment Haryana PSC 2017:- Applicant may register through official website of Haryana public service commission (HPSC) www.hpsc.gov.in or ww.hpsconline.in.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 01/06/2017
Challan Payment: 05/06/2017

## শগোলশেম হেমন্ত

# খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা–নুংঙাই পাউদম লাইরিক্লি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুক্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

৪

## খেংজোই চীংদা

*ঙরাংগী মখা...*

অমরোমদনা এম পি এ গী কাদরশিংগী মরক্তা চিয়ারমেন অমুক ফাওবা উদবা য়াওরি। মখোয়শিং অদু চিয়ারমেন উনীংবগী ৱাখলদা ৱাংব্রেন টাস্ক ফোর্সকী ওপরেস্নেল হেদ ক্বাটর তম্না ঐখোয়গী এস্কোর্ট ওইনা লাকপসু য়াওরি। খরা অমনা খেংজোই চীংশাং পরেংগী লম্মিৎ তুম্মিৎশিং ঐখোয়না নৌনা থোকপগুম মখোয়দসু নৌনা থোকপা য়াওই। সি এন এন, আই বি এন গী টিম অদুদি মখোয়গী অহানবা টি. ভি. ইন্টর্ভিয়ু ওইবনা অৱাবা কয়া কাউথোকপগুম উবা ফংই। চিয়ারমেন চৎখ্রবা মতুং নুমিৎ তারমদাই ফাওবা মখোয়গী ফুটেজ কয়া খোমগৎলি।

ঙাল্লম্বা কোরৌহনবসু নোংচুপ থংবা চীংগী মরুমদা তপ্না তপ্না লৈথখি। তরামরিনি পানবা থাজগী ফজবা মায়থোঙসু নোংপোক থংবা চীংশাং মরুমদগী লুপা ফুদোংবা কুচুগা লোয়ননা হায়গৎলক্লি। অশৈবা অশৈবীশিংনা তরামরিনি পানবা থাজগী ফজবা শীংথাদুনা লোইবা নাইদে হায়নরিবনি। নুমিৎ অসিমদি অয়ুক্তা নোং তারল্লবসু নুংথিলদদি অতিয়া অসি পুমশেং শেংখি। অইংবা নুংশিৎনা য়ৈবদা অইংবা হকচাংশিং খরদা ওইরবসু শাগৎনবা ঐখোয়না লৈরিবা য়ুম অদুগী মপান্দা মৈজাও থাদুনা ময়াম কোয়না মৈ–তিকমীন্নদুনা ৱারী শারি। কালেনগী ময়ায় চবুক ওইরবসু হেদক্বার্টরগী মফম অসিদি নীংথম থাগুম ফজনা ইংই। মৈ তিক্ন–তিক্না ফি লৌথোক্লগা ইনশিন্নে। অয়ুক্কী চাক্লেন নুংথিল অথেঙবদা চাখিবদুনা পুকসি ইথন থনগত্তুনা লৈ। নুমিৎ চুপ্পা অমা ফল্লগা ৱারী শাবনিনা তুম্বগী চাং ফজনা ৱাৎলে। থাজনা অতিয়াদা মাগী তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎলি। তায়বঙ কয়াগী থম্মোয়বু মালহৌনহল্লি। চিক্লবা মীনিল তাদ্রবা চীংগোল অদুদা অরাপ্পদগী খোংলকপা লম্লক্কী শাশিংগী খোঞ্জেলনা অহিংগী অচিকপবু হেক হেক থুগায়রি। ঐখোয়গী মিসন মায় পাক্লবনিনা হয়েংদি তামহৌরবা য়ুমগীদমক খোঙশাল্লগনি।

*মথং মথং ...*

# য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

## চাবা (চিঞ্জাক)

*ঙরাংগী মখা...*

**থম্মোয় শোক্তনবা লায়েংঃ–**

লায়না অসিগী ফত্তবা লৈহৌগদবা লাইথুং মচেক্তি থম্মোয় নাবনি। অদুনা পোমখৎপা, ঙাওলিবা অমসুং লাইহৌ অদু ফত্রিমখৈ চরা হেন্দোকহল্লু। কমলা মহী নৎত্রগা ঈশিংদা পীথকপিয়ু। ঈশিং লুম্বু–লুম্বু শাবনা অয়ুক অমসুং নুমিদাংৱাই এনেমা অনীরক লৌবিয়ু। পোমখৎখিবদু ফনবা ঈশিং অশাবা অমসুং অঙৈংবনা কমপ্রেস নোংমদা ২–৩ লক তৌবীয়ু মশা অপুম্বা অঙৈংবা ঈশিংগী পেক তৌবিয়ু। খৌনাওসু অঙৈংবা পেক তৌবিবা য়াই। লৈ অসিনা পুমঙাঙ ঙাওলবা হায়বদি শলৈবান কোক্লবা অমসুং লাইহৌ লৈত্রবা মতমদা হৈ ঙাক্তা পীজবিয়ু। মতুংদা হৈ অমসুং মনামশিং চাবা মথং মথং লৌথবীয়ু।

অদুগা ফরবা মতমদা মেগ সলফ হাপ্লগা চয়োলদা অমুক্তং ঈশিং অশাবনা ঈরুজথোকপীয়ু।

**করি পীজরগা অঙাং ৱাংহনগদগেঃ–**

অঙাংগী মখোঙ অসি কাওহনগদবনি। অশেংবা নুংশিত্তা থম্বীগদবনি। খরা চাউরক্লবা মতমদা ঈরোইবা তম্বীগনি। খোঙ–খুৎ অসি কন্না শীজিন্নবা মরমদগী ৱাংনবগীদমক ঈরোইবনা খ্বাইদগী ফবা শাজেন্নি।

চাউখৎলকপগা লোয়ননা অঙাং অসি লাসম য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক পীজগদবনি। মনা–মশিং পূম্নমক লাইম য়াম্না য়াওই। চোইদবা চেঙ, গেহুগী য়াম– অতা লাইম নীংথনা য়াওই। মিলগী চেঙ, তল অঙৌবনচিংবা লাইম য়াওদবা চিঞ্জাক চারবদি মনা–মশিং য়াম্না হাপচিনগদবনি। শঙ্গোম অসি খ্বাইদগী হেন্না মরাঙ কায়না লাইম য়াওবা চিঞ্জক্লি। চাউখৎলকইবা অঙাং অমগী নোংমদা শঙ্গোম ক্বার্ট অমা চঙই। খোঙহাম্বা য়াদ্রগা ঈদা ফত্ত–হৌদি পোক্লক্লিবদু হাইজিনখ্রগা অঙাং চাউরৈ থীল্লিবনি। মরম অদুনা খোঙহাম্বা য়াহনগদবনি। চাক হেক তোকপদা খোঙ হামদোকপা তম্বীয়ু।

*মথং মথং ...*